# মোদি লৈঙাক্কী ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট...

*লমায় ১গী মখা...* মাইনোরিটিশিংগীসু মখোয়গী মনীং তম্বদা অয়েৎপা কয়া পীরি হায়খি।

মসজিদ, ইদিগা, কবরষ্টানশিং অমসুং মদ্রাসাশিংদা খূৎ থিংজিন্নবা অতম্মনা থৌরাংলকপা এক্টনি। এক্ট অসিনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৪না পীরিবা প্রোভিজনশিং খোঙ্গৈইনরে হায়খি।

মরম অসিনা এক্ট অসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়খি।

অমরোমদা, এক্ট অসিগী মায়োক্তা ওল ক্বাক্তা ভোলন্টরি ওর্গনাইজেশন, ওল মণিপুর পাঙল য়ুথ এসোসিএশন, ওল ক্বাক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, অঞ্জুমন ইস্লাহি মুস্রা, জামিয়াতুল উলামা বিষ্ণুপুরনসু পূন্না শীন্দুনা ক্বাক্তাদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি।

মীওই লিশীং ২০ হেনবনা শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদু ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদগী হৌরগা ক্বাক্তা কৈথেল পব্লিক গ্রাউন্দদা পূনখি। অদুগা ইদিগা অচৌবা ফাওরগা তেরাখোংশাংবী ফাওদুনা লাক্লগা পব্লিক গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইখি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা এক্ট অসি য়ানীংদে, খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মুরদাবাদ, অমিট শাহ মুরদাবাদ অমসুং বি জে পি মুরদাবাদ হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

অমরোমদা, এক্ট অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা অতোপ্পা মফমশিংনা জামিয়াদ উলামা মকামি ফৌদেল, ৱাংখেম, সিঙ্গানচিংবা খুল অহ্মদসু ক্লব/ওর্গনাইজেশনশিংগা খূৎশম্নদুনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা মীওই লিশীং ৫ রোম্না য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎখি। খোঙচৎ অদু য়াইরিপোক সিঙ্গা, ৱাঙ্খেম অমদি ফৌদেলগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী হৌরক্লগা চৎখিবনি। মীয়াম অদুনা য়াইরিপোক সিঙ্গা প্লেগ্রাউন্দদা পুন্দুনা য়ানীংদবা খোল্লাওশিং লাউখি।

এক্ট অসি চৎনবা য়ারোই, ৱিথদ্রো তৌগদবনি, দাউন দাউন বি জে পি, মাইনোরটিদা হন্থনা য়েংবা য়ারোই, ইপা ইপুশিংনা কথোক্লম্বা প্রোপর্টিশিং মৎপা য়ারোই হায়বা প্লেকার্দশিং পায়খি।

খোঙচৎ অসি করি মরমগীদমক চঙশিল্লক্লিবনো হায়বা ৱাফমশিং জমিয়া টুল উলামা (মকামি) ফৌদেল, ৱাঙ্খেম অমদি সিঙ্গাগী এদভাইজর মুফটি নসিমউদ্দিন অমসুং সিঙ্গা আইদিএল ক্লবকী জোইন্ট সেক্রেটরি এস এম অরাফটনা ফোঙদোকখি।

থৌবাল মোইজিংদসু মফম অসিগী য়াওনা অকোয়বগী মীওই লিশীং কয়ানা শরুক য়াদুনা থৌবাল মোইজিং ইদিগাদগী হৌরগা খুল অসিগী অকোয়বদা য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎখি।

খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা থৌবাল মোইজিংগী এদ্যুকেশনেল গাইদ সেন্টরগী প্রসিদেন্ট এম এম অবদুর রজাকনা হায়, বিলদগী হৌজিক্কা এক্ট ওনখ্রবা এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি মুস্লিম ফুরুপ খক্তগী মায়োক্তা নত্তনা মীওইবা ফুরুপকী মায়োক্তনি, অথুবা মতমদা রিপিল তৌগদবনি অমসুং এক্ট অসি সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎপীগদবনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙজং অসি অঞ্জুমননসু ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়বগা লোয়না শঙ্গাইয়ুম্ফমগী ক্লব/ওর্গনাইজেশন/এসোসিএশনশিংনা শিন্দুনা শঙ্গাইয়ুম্ফমদসু অচৌবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোইশিংনা এক্ট অসি ৱিথদ্রো তৌগদবনি, লাইনীংগী মফমশিংগী প্রোপর্টি কল্লু হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাও ওইনসু লাউখি।

অমরোমদা, ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রোজেক্ট ওফিসর (এদমিনিষ্ট্রেশন) না ঙরাং থোকখিবা নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না হয়েং অয়ূক পুং ১১ তারকপদা বাবুপড়াদা লৈবা বোর্দ অসিগী চেয়রমেনগী ক্বার্টরদা মণিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংগী সী এস ওশিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# মাইবম শাগৈগী ইবুধৌ অপোকপগী চাকলোন কৎলগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস):** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী নম্বোলগী লৈমপোকপমদা হেদ ওফিস ওইরিবা মাইবম শাগৈ ইবুধৌ অপোকপা থৌগল লূপ কংলৈপাক, মণিপুরগী সেক্রেটরি মাইবম বিজয় খুমনচানা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৩ শজিবুগী থানিল নুমিৎতা কুমসি চহীগী মাইবম শাগৈগী ইবুধৌ অপোকপগী চাকলোন কৎপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অয়ূক পুং ৬.৩০দগী থৌরম হৌরগা অয়ূক পুং ৮দা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি অদুগা অয়ূক পুং ১০দা লাইগী শরেন চনবগী থৌরম পাঙথোক্লবা অয়ূক পুং ১১দা চাকলেন খুনগনি হায়রি। লৈমপোকপম কৈথেল মাইবম লৈকায়দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মাইবমগী শাগৈচা পূম্নমক্কা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু পাউজেল্লক্লি।

## বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা ...

*লমায় ১গী মখা...* কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপূনবা ইলেক্টর ৪৭,৭৫৬নি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা ২৪,০৪৮ ওইরগা নুপী ভোটরনা ২৩,৭০৮নি। এ সী অসিদা থর্দ জেন্দর ভোটর অমত্তা লৈতে। অদুগা চহী ১৮/১৯ খক্তা ঙাইরিবা ইলেক্টরশিংগী মশীংনা ১,১৩৭নি অমসুং অপূনবা পোল্লিং ষ্টেশন মশীংনা ৮১নি হায়রি।

দ্রাফ্ট ফোটো ইলেক্টরস রোল অসিদা কনাগুম্বশিংনা ক্লেম অমদি ওবজেক্সননচিংবা তৌনীংলবদি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা তৌরকপা য়াগনি অদুগা করিগুম্বা ওবজেক্সনশিং ফাইল তৌরক্লবদি মদুগী দিস্পোজেলনা মথং থাগী ২দা পাঙথোকপগা লোয়ননা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলনা মথং থাগী ৫দা ফোঙগনি হায়রি।

ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌনীংবশিংনা সী ঈ ও মণিপুরগী ৱেবসাইটতা ফংবা ফোর্ম-৯, ১০, ১১, ১১এ অমসুং ১১বিগী খূত্থাংদা তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

# মীতৈ ময়েক রিসর্চ সেন্টরগী মীফম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস):** মালোমদা লৈবা মীতৈ ময়েক রিসর্চ সেন্টরগী মীফম অমা থা অসিগী ১০দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদু সেন্টর অসিগী রিগুলেশন নম্বর ১৮গী মতুংইন্না নুমিৎ মশীং শুদবনা থা অসিগী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হান্না লেপখিবা মফম অমসুং মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি এল দেবেন মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# লান মনুংদা অসাম রাইফলসনা ...

*লমায় ১গী মখা...* ২ অসি সেক্টর অসিগী মখাদা লৈবা ১৭-এ আরগী কেম্পশিংদা লৌশিন্দুনা ঙাক শেন্দুনা থল্লকখিবনি। পুথোরক্লবা হোৎনবদা পুলিস, বি এস এফ, সী আর পি এফনসু মতেং পাংখি। অদুগা মপূং ওইনা ১৭-এ আরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পুথোরকখিবনি। অদুগা গাড়ীশিং অসি ঙসি মপুশিংদা খূৎশিন্নবনি হায়খি।

গাড়ী মপুশিংনা অমুক হন্না ফংলরোইদ্রা খঞ্জানরুরবা মখোয়গী জে সী বি, ত্রক অমদি টু হ্বিলরশিংবু ১৭-এ আরনা তেক্ত-কায়দনা ফংহনবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমদা ৪৬-এ আরগী কম্মান্দেন্ট কর্নেল সিভেন্দ্র, খেংজোইগী এস দি ও গ্যাসউদ্দিন খান, ২৪-বি এস এফকী সী ও, চান্দেলগী এস দি পি ও, ককচীংগী দি এস পি (ওপস) অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিশলশিং শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমগী মনুং চন্না এ আরনা ৱর্ল্ড হেল্থ দেগা মরী লৈননা হেল্থ এন্দ ক্যের হায়বা থিমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমদি এ আরগী ডাক্তরশিংনা ঈ এন টি, শরু, গাইনিকোলোজি, পেদিয়াত্রিকনচিংবা লায়নাশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং লায়েংখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৮০ রোমদা হীদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি।

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনবু ...

*লমায় ১গী মখা...* পীশিনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরু ওইনা লো দিপার্টমেন্টনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলক্তবদগী ঙসি ফাওবদা কম্মিশনগী থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা লৈরকখিবনি। মরম অসিনা ঙসি (এপ্রিল ৮, ২০২৫) ফাওবদা কম্মিশন অসিদা পন্দুনা লৈরিবা অপূনবা কেস মশীং ৩৩৮নি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কম্মিশন অসিগী হাঙদুনা লৈরক্লিবা চেয়রপর্সনগী ফম অথুবা মতমদা মেনশিনবীয়ু নৎত্রগনা লৈরিবা মেম্বর অসিদা এক্টিং চেয়রপর্সন ওইনা মথৌ পাঙথোকহনবীয়ু হায়বগী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন নম্বর ৪ ওফ ২০২৫ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মশামকসু এদভোকেট ওইরিবা ওক্রম ন্যুটনকুমারনা ফাইল তৌরক্তুনা মসিগী ৱায়েল চত্থরক্লিবনি।

পি আই এল অসি হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না হয়েংসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা মখা তাবা ৱায়েল চত্থগদৌরি।

# লুৱাংথেম মুকেশ মফম খঙখিদবগী ৱাথোক হায় কোর্ট ওফ মণিপুর ...

*লমায় ১গী মখা...* ঙসি ফাওবা মফম খঙহন্দ্রিবা অসি কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ২১না পীরিবা রাইট টু লাইট এন্দ লিবর্টিবুসু খোঙ্গাওনবনি হায়খি।

পিটিশন অসি ঙরাং খক্তমক ফাইল তৌখ্রবসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ২৯২ ওফ ২০২৫ ওইনা লৌখৎখ্রে। অদুগা ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস অরিবম গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা লৌখৎখ্রে। পিটিশন অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল খাইদেম মনিনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল রাকেস মৈহৌবমনা এসিষ্ট তৌখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্পা কাউন্সেলনা তৌরকপা সবমিশনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা অপূনবা রেস্পোন্দেন্ট মঙাদা মথং থাগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল খাইদেম মনিনা তৌখিবা সবমিশনশিংগী মনুংদা মফম খঙদ্রিবা নুপামচা অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশনগী থবক খুদক্তা এন আই এদা শিন্নবীয়ু। এজেন্সী অসিদি ন্যুত্রেলিটি ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক কোনশিনবা ঙম্মী। অকক্লনা ঈরাংনা শোকহল্লবা মণিপুরগী মফমশিংদসু মখোয়না য়ৌশিনবা ঙমগনি হায়জখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উনখিবদা গভর্ণরগী মায়কৈদগী অকক্লবা নুমিৎ পল্লদুনা এল মুকেশকী মরী-মখোঙ শোয়দনা খঙহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবদগী ঙসি ফাওবদা চপ চাবা অমা খঙবা ঙমদ্রিবনি।

অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহাকপু তেক্ত-কায়দনা য়ুমদা হল্লকহনবদা মতেং পাংগদবা ঈ-পাউশিং পীবা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১০গী শেলগী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ঙসি ফাওবদা মফম খঙদ্রিবা নুমিৎ ২৩নি শুজিল্লক্লবা এল মুকেশকী থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর এস সুকদেবনা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংদা হায়, নুপামচা অসি ঙসি নুমিৎ ২৩নি শুরবা ফাওবদা মহাক্কী মরী-মখোঙ খঙবা ঙমদ্রিবা অসি লৈঙাক্লা কুকিশিংগা মান্নরগা মাঙহনখ্রবরা হায়বগী চিংনবা ফাওরে। গভর্ণরগী মায়কৈদগী মফম খঙদ্রিবা নুপামচা অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিন অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে। নুপামচা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পায়খৎপা থিবা-হুম্বগী থবকশিং অদু পেন্দবদগী ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিশন অমা ফাইল তৌখিবদগী ঙসি পিটিশন অদু লৌখৎতুনা কোর্টনা খন্নবা হৌখ্রে। নুপামচা অসিগী মরী মখোঙ পুলিসকী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা পুথোকপা ঙমদবনিনা কেস অসি এন আই এদা শিন্নবীনবা হায় কোর্টতা হায়জখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা নেশনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদসু ৱাকৎখ্রে হায়খি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মতাংদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবা ৱাকৎ খোঙজংদি মতম খরা লেপ্পগা কোর্টতা ওইনা থেংনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এপ্রিল ১১দা পার্লিয়ামেন্টতা মাস রেল্লি চৎকনি, মথংগী নুমিৎতা...

*লমায় ১গী মখা...* সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি টি রোদতা লৈবা ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মীয়ামগী খোঙচৎ অসি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিদা মণিপুরগী ওইনসু ত্রেদ য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অমসুং ওল মণিপুর এমপ্লোয়ীজ ফেদরেশনগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগনি। অদুগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগীসু পূন্না লাকপা মীহুৎশিংগা পূন্না সোলিদরিটি উৎমিন্নগদবনি হায়খি।

খোঙচৎ অমসুং মেমোরেন্দমশিং পীশিনগদৌরিবা অসিদা মণিপুরদা মায়োক্লরিবা ইস্যুশিং পুখৎকনি। মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা থৌদোকশিংগী মরীক চুম্বা পাউদম ফোঙদোক্কনি। হৌজিকসু মীওই লিশীং কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চঙফম লৌরি। লম্বীশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রি। ইশম শম্না কুকি লালহৌবশিংনা লোইনা কোইশিল্লগা লৈরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পুখৎকনি। অদুগা মরু ওইবা দিমান্দশিংগী মনুংদা হায়রে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংউ, লম্বীশিং অসিদা মীতৈশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লু অমসুং মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হনবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওইশিংবু মখোয় মখোয়গী ময়ূম ইম্ফোল লৈরিবা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি মোরেনচিংবদা হঞ্জিন্দুনা লৈহন্নবা থবক পায়খৎলু। লান অসিনা মরম ওইদুনা লন-থুম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবদগী শেন্মীৎলোন্দা চহী ২০ লোম শোত্থনা লৈগদৌরিবা অসি কোকহন্নবগীদমক অখন্নবা পেকেজ অমা মণিপুরগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা কায়থোক্কদবনি। অদুগা দিলিমিটেশনগী মতাংদা মীয়াম্না অপান্বা মতুংইন্না চত্থগদবনি হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদসু দিলিমিটেশন পাঙথোক্লগনি হায়রক্লিবসি সী পি আইগী মায়কৈদগী শৌগৎলি অদুবু মপান্দগী মীতোপ থোমজিল্লক্তুনা ভোটর লিষ্টতা হাপচিনখিবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট কোকথোক্লগা য়ুম কৈ শাজিনখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থরকপনা ঐখোয়গী দেমোগ্রাফিদা শীংনরকপনি। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা শীংনবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মণিপুরদগী তকথোকখিগদবনি। এন আর সী পাঙথোক্লবা থবক পায়খৎলু। অদুগা থবক অসি মপূং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা দিলিমিটেশন পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

হায়রিবা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোরক্তবদি অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০দা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মশীং লেপথোকপদা নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা সিট মশীং হেনগৎলকপা য়াই। মরম চাদনা মীশিং হেনগৎলিবসি চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অসিগীদমক হয়েংদগী হৌরদুনা ইম্ফাল থাদোকপা হৌরগনি। অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদগী শরুক য়ারগদবা মীহুৎশিংসু থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা দেল্লীদা লোইনা থুংনরগনি হায়খি।

# ঙসি মণিপুরগী অহানবা ফিল্ম ‘মতমগী মণিপুর’ পোকখিবা ‘মমি নুমিৎ’...

*লমায় ১গী মখা...* হোলদসু রিলিজ তৌখি। হায়রিবা ফিল্ম অসি নম্বা লোইরগা এদিটিং তৌবা মতমদা লৈখিদ্রবা খুন জয়কুমার (শৈশকপা খুন্দ্রাকপম জয়কুমার) গা ঐগা য়াওখি।

ফিল্ম অসিদা য়াওরিবা ঈশৈশিং অসি লিপ সিঙ্ক তৌনবা হোৎনবদা খুন জয়কুমারনসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা মতম অদুদা মীতৈ ময়েক্কী ঈহৌ য়াম্না কনবমক ওইখিদ্রবসু ফিল্ম অসিগী কাষ্টিং থাবদা বেঙ্গলি ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক ওইনা হাপ্পবা ঐহাক্না দিরেক্টরদা কন্না হায়জখি। মতম অদুদা মীতৈ ময়েকসু চৎনদ্রি। বেঙ্গলি ময়েক ঙাক্তা ওই। মীতৈ ময়েকসি করম্না ইসিগে খনবদা খুন জয়কুমারদি ফজনা লাই য়েকপা হৈবা আর্টিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা মীতৈ ময়েকসু ফজনা হৈবা মীওই ওইরম্বদগী মীতৈ ময়েক্কী কাষ্টিংশিং অদু ইরগা ফিল্মদা হাপখিবনি।

মণিপুরগী ইহান হানবা ফিল্মদা মীতৈ ময়েক ইহান হান্না য়াওবা ফিল্মসু মতমগী মণিপুরনা ওইরে। ফিল্ম শুটিংসু কোলকটাগী ষ্টুদিওদা অয়াম্বনা নম্মী। ফিল্ম শুটিংদগী হৌরগা এদিটিং তৌবা ফাওবা দিরেক্টরদি মণিপুরী ফজনা খঙদবনিনা ঐনা অয়াম্বা চেন চোংদুনা পাউ ফাওনবগী থবক তৌখি। অহানবা মীতৈলোল লোনবা ফিল্ম অসি রিলিজ তৌবা নুমিৎতা ফিল্ম হৌরকপগী সিনদা মনাওনুপানা মতৈমদা ‘করি এঞ্জাং থোংদোইনো ইতৈমা’ হায়না হৌরকপা দাইলোগ অদুদা য়েংলিবা মীয়াম অদুনা পেনমনখিদুনা হোল অদু পুমনিল নিলবমখৈ লাউখি।

ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর লৈখিদ্রে। আর্টিষ্ট অমদি ক্রুশিংসু লৈখিদবনা অয়াম্বা ওইশিল্লক্লে। মণিপুরগী অহানবা ফিল্ম অসি ওইনবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা, ৱামিন্নখিবা পূম্নমক নুমিৎ অসিনা লাকপদা নীংশিংলকই। ফিল্ম অসিদা শরুক য়ারুবদগী ফিল্ম নম্বসু হৈহৌবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

‘মতমগী মণিপুর’ দগী এক্টর অমা ওইরক্লিবা মণিপুরী সেল্যুলোইদ ইরাগী মীয়াম্না ‘লমজা তোম্বা’ হায়রগা হেন্না খঙনবা সিনিয়র এক্টর কাঙবম তোম্বনা পাউচে অসিদা হায়, মতম অদুগী ফিল্ম অদু ষ্টুদিও মনুংদা অয়াম্বনা লোইনা নম্বনি। ষ্টুদিও মনুংদা নম্বা অসিনা ফিল্মগী ক্বালিটি লৈবা হেল্লি। মণিপুরী ফিল্মনা চহী ৫৩শুরক্লবসু হৌজিক ফাওবা ঐখোয়গীদি ফিল্মগী ষ্টুদিও নৎত্রগা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অমা লৈজদবগী নুংঙাইতবা অদুদি কোক্ত্রি।

ষ্টুদিও মনুংদা ফিল্ম নম্বগী নুংঙাইবা, মদুদা অচৌ অচৌবা কেমেরা শীজিন্নবা, বুম মাইক থাদরক্লগা নম্বদা য়াম্না কিনা চেকশিন্না হোৎনখিবা অদু নীংশিংলকই। ‘মতমগী মণিপুর’ দা কুমখিবা টিম অদুসু অফবা এক্টর ঙাক্তনি। হান্নদগী দ্রামা তৌরক্লবনা অয়াম্বা ওইখি। ঐজ্জা রোবিন্দ্রো, তাদা বিরবাবু, ঐজ্জা শ্যাম, তা অমুজাওনচিংবশিং মতম অদুগী থিএটর তৌরবা আর্টিষ্টশিংনা অয়াম্বনি। ‘মতমগী মণিপুর’ ফিল্ম অসি রিলিজ তৌখিবা অদু অমুক্তা তৌদ্রিবা থবক অমা ওইবনিনা অহানবগী সিনদা মনাওনুপানা শীং খাইরগা লৈরম্বদা মতৈমনা পৃথ্বিদগী কারকপদা ওনশিন্দুনা ‘ইতৈমা করি এঞ্জাং থোংদোইনো’ হায়না হংবগী মীতৈলোল লোল্লকপদুদা য়েংলিবা মীয়াম অঙকপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরকখি। মতমদুদসু মীয়াম্না য়াম্না থাগৎপীখি।

ফিল্ম অসি লৈখিদ্রবা তামো অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ‘তির্থ যাত্রা’ মীংথোনবা দ্রামাগী স্ক্রিপ্ট অদুদগী লৌথোক্লগা নমখিবনি। ফিল্ম অসিদা হোংলক্লিবা মতমগী অওনবা, থবক তৌরবনি-লাইরিক হৈরবনি হায়দুনা মুক্তুনা নুংঙাইনা লৈথোক্লবা হোৎনরবসু মদুনা তুংদা অফবা মহয় ফংদে হায়বদু উৎপা ফিল্মনি।

ঙসি চহী ৫৩গী মতুংদা হায়রিবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ৱাখল অসি ইনৌ নৌথোকপগুম ফাওই। মতম অদুদা আর্টিষ্টশিংনা মণিপুরী ফিল্ম অমা ওইনবা অতোপ্পা মপানগী ফিল্মশিংগা য়েংনবদা চাং তাদনবগী ৱাখল্লোন্দা হোৎনখি অমদি প্রদ্যুশর ওইখিবা পাবুং করাম মনিমোহন (অমুমচা) বুসু নীংশিংই। মণিপুরী ফিল্ম লৈতবা য়াদে হায়না কন্না হোৎনদুনা নমখিবনি হায়রকখি।

অদুগা ‘মতমগী মণিপুর’ দা মরু ওইবা প্রোটাগোনিষ্ট, মৌ অমগী শক্তম লাংখিবী মণিপুরগী শক্লাইরবী এক্টর য়েঙ্খোম রোমানা হায়, মতম অদুদা ফিল্ম হায়বসিগী নোলেজ অমত্তা লৈখিদে। ষ্টুদেন্টস আর্টিষ্ট এসোসিএশন হায়দুনা দ্রামা গ্রুপ অমদদি দ্রামা তৌবদি হৌরকখি। ফিল্ম অসি নম্লগনি হায়বগী পাউদি পাউচেদা থেংনখি। অদুবু চৎলুদে। ইমাশি এম কে বিনোদিনিনা ঐবু লাকউ হায়না কৌরকপদগী চৎলুবদা ফিল্ম অসিগী টিমগী মরু ওইবা মীশকশিং লৈরমখি। ঐজ্জা শ্যাম শর্ম্মসু লৈরমখি। ঐজ্জানসু মণিপুরগী অহানবা ফিল্ম অসি ওইনবা হোৎনসি ইবেম্মা হায়রকপা মতম অদুদগী ফিল্ম অসিদা য়াওদুনা নম্বা হৌখিবনি।

হান্না দ্রামা খরা তৌরকপগী এক্সপরিএন্স অদুনা ফিল্ম অসিদা য়াওবা ঙমজখিবনি। মতম অদুদা ঐ লাইরিক তল্লি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর/কেমেরামেন পূম্নমক্না হায়বদু করিনো হায়বা খল্লগা অঙম্বা খরা তৌজখিবনি। অহানবা ফিল্ম ওইবনিনা কিজদুনা অমসুং থৱায় য়াওনা হোৎনজখিবনি। মীয়াম্না নুংশিবীদুনা ঙসিদি ফিল্ম অদুবু রিলিজ তৌখিবা নুমিৎতা মমি নুমিৎ হায়না পাঙথোকপীরে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা য়াম্না নুংশিবা অমসুং নুংঙাইবা ফাওই। মীতৈলোল লোনবা মণিপুরগী অহানবা ফিল্মদা ‘করি এঞ্জাং থোংদোইনো ইতৈমা’ হায়না হংলকপা মতমদা মতৈমা শাখিবী ঐনা ‘হৱাই থোংগনি’ হায়না খুম্বদা ফিল্ম অসিবু য়েংখিবা মীয়াম অদুনা য়াম্না হৌনা নোক্লকপা অদুদা করিবু শোয়রবজাৎনো হায়না খন্দুনা ইথন্তা কিজবা অমসুং ইকায়বা ফাওখি। অদুবু কোন্নথংদদি ইংলিস অমসুং হিন্দি ফিল্ম ঙাক্তা য়েংদুনা লাক্লগা মীতৈলোল লোনবা ফিল্ম য়েংলকপদা ময়াম্না ঙকপা অমসুং নুংঙাইবগী ওইরমখি।

হায়রিবা ফিল্ম অসিনা মতম অদুদা প্রসিদেন্ট এৱার্দসু ফংখি অদুগা রিজনেল এৱার্দসু ফংখি। মতম অদুদা নেশনল এৱার্দ হায়রমদে, মসিগী মহুত্তা প্রসিদেন্ট এৱার্দ হায়রমখি। মমি নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরগী ফিল্ম হেন্না চাওখৎপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকখি।

হয়েং পাঙথোক্কদবা মমি নুমিৎ থৌরমগী মাঙওইননা ফিল্মগী মীওইশিংগী লূপ অমা ওইরিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়রমেন লাইময়ূম সূর্য্যকান্তনা পাউচে অসিদা হায়, ফোরম অসি কুমজা ২০০৪দা শেম্লবা মতুংদা মরা চেৎনা ওফিসনচিংবা লিংদুনা লৈরবা মতুং দিজিটেল ফিল্মগী ওইবা ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমা ফোরম্না শীন্দুনা কুমজা ২০০৭তা পাঙথোকখি।

ফেষ্টিবেল অদুগা ইরোয়ননা মণিপুরী সিনেমা পোকখিবা নুমিৎ - এপ্রিল ৯, ১৯৭২ অসিসু নীংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী এপ্রিল ৯বু মমি নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদি সিনে ওফ দে ওইরসি, লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলসি হায়না ৱারেপ লৌদুনা ইহান হান্না কুমজা ২০০৭তা এম দি য়ুদা মমি নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি।

নুমিৎ অদুদগী পাঙথোরকপনা ঙসিদি ১৮শুবা থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎ য়ৌরক্লে। মণিপুরী সিনেমানা চহী ৫৩শুরকপা অমদি মমি নুমিৎ পাঙথোকপগীনা ১৮শুবা থৌরমসিগা মরী লৈননা ফিল্মবু নুংশিবীবা পূম্নমক্না ফিল্মগী ওইবা শিন্থা লেপ্পীদুনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু। এপ্রিল ৯বু নীংশিংদুনা অদুমক লৈনবগীদমক থা খুদিংগী ৯ অসিসু সিনে ওফ দে ওইদুনা লৈরিবা গিল্ডশিংনা খায়দোক্নদুনা মণিপুরী ফিল্মবু হেন্না চাওখৎনবা ৱাখল্লোন্দা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুন লাক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।


## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 94.343614 |
| US Dollar | 86.198270 |
| British Pound | 110.148337 |
| Australian Dollar | 52.269123 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.749130 |
| Japanese Yen | 0.587153 |
| Malaysian Ringgit | 19.194580 |
| Singapore Dollar | 63.882408 |
| South Korean Won | 0.058279 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.986205 |
| Thai Baht | 2.478341 |

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## GAS NEWS

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-26-02-2025,**
VALID FROM 20-02-2025,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKINGUPTO 14/03/2025**
VALID FROM. 23/02/2025
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 03-03-25**
Valid from 01-03-25
Only home delivery sarvice
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
**Stock.324**
Time 7.30am to 10.am
**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO - 22/01/2025**
VALID FROM - 15/01/2025
ONLY HOME DELIVERY WITHIN 5 DAYS
TIME- 9AM TO 11AM
OFFICE ENQUIRY NO. 9774031231/8414967694
**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto 20-03-25**
(sl.upto 19866)
Timing 7am to 10am
**Imphal LPG Service**
Home Delivery Only
**Booking upto: 15/03/2025**
Office contact no.9362654114
Time:8.30 am to 12.30pm
Available 10 kg 5kg 19 kg
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO18/03/25**
**(Sl.No.01 to 20)**
VALID FROM 08/03/25
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Bk upto 06/03/25**
Valid from 16/02/25
Booking order please contact
Call Timing: 8am To 11am
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East. Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863654574 / 9774213728 /9089519886
Mayai lambi/Tiddim line 87946 84988
TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA / 8258856407 / 8257085221
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C - 9612493837


## HL Poll

Q: Policena Investigation chathabada mai paktre haiduna mapham khangdriba L. Mukheski apokpina NIAda khutsinnabiyu hairaklibasi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes    No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Athuba matamda Meetei amasung Kuki-Zogi CSOsinggi meepham ama Ministry of Home Affairsna pangthoknaba kourakhigani thajabra?

Yes 75%    No 25%

## অস! লোইরেহে!

- যু থকপা তোক্লে হায়রগা অমুক হৌরবরা?



- নহানমখৈ ফ্রীদা থকপা ফংদবগী তোকপনি।


**OFFER / ꯑꯣꯐꯔ**    **OFFER / ꯑꯣꯐꯔ**

**ঙানু মচা, Layer, Banaraja, Kuroiler হোঙনা ফংবীগনি**

নোংমাইজিং নুমিৎ খূদিংগী ঙানু মচা Muksan, Peking অমদি য়েন্নাও মচা Kuroiler,Black Rock, FFG, Banaraja, Layer, Japanese qual হোঙনা ফংবীগনি। ফার্মরশিংনা এদভান্স বুকিং তৌবীয়ু। ঙানুমচা অমদি য়েন্নাও ২০০ শুনা লৌবীবা মীওইশিংনা whole sale rate তা লৈবীবগী খূদোংচাবা ফংবীগনি। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese quail মরুম হাপচগনি। য়েন্নাও সাইজ পান্নীবশিংনা ফোন নম্বর ৮৪১৫৮৪৩৩৬৯দা ফোন তৌবীরকউ। Layer (B.V. 380) মপী ১০০ লোয়বদা নোংমদা মরূম ৭০দগী ৭৫ ফাওবা কোকই।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near Eastern Ground, BSNL & Postal Colony, Palace Compound, # 9436085117/8132059035

HL-P/1586/9


## ꯃꯥꯡ / Bank Pass Book Lost

I have lost my SBI Pass Book of Nambol branch on the way from Nambol Maibam Chingmang to Imphal on 1st March, 2025. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Maibam Premabati Devi**
Nambol Ward No. 3
#7005064174

HL-P/1969/9

## খ্বাই তাবা থিংবাইজম শাগৈগী পাউজেল

কুমসি চহীগী খ্বাই তাবা থিংবাইজম শাগৈগী অপোকপা খুরুম্বা অমসুং লাইগী চাকলোন কৎপা নুমিৎ লাক্লিবা শজিবু ১৫ (তারামঙানি) পানবা য়াইফরবা কোরৌ থাংজ, ১২-৪-২০২৫ ইং, পুর্ণিমা নুমিত্তা থোক্লে। নুমিৎ অসিদা নুংশিজরবা শাগৈচা পূম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা লাইগী থৌরম অসিবু মপূং ফাহনবীরনবা নোল্লুক্না পাউজেঞ্জরি।

**থৌরম :**
**মতম : অয়ূক পুং ৭ : লাইগী থৌরম হৌবা**
**অয়ূক পুং ১০:৩০ লুকলেন ফংমিন্নবা**
**মফম : লাইঙম খুল, লমশাং, ইম্ফাল ৱেষ্ট**

**পাউজেঞ্জরিবা :-**
**থিংবাইজম সঞ্জয় খুমন**
সেক্রেটরি, খ্বাই তাবা থিংবাইজম শাগৈ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি

HL-P/1590/9    #9862914452, 8413057527, 9612510260

## শঞ্জেনবম শাগৈগী য়াইফ পাউজেল

লাক্লিবা তাং ১২/৪/২০২৫ ইং শজিবুগী পুর্ণিমা থাংজ নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা খুন দাবিরিবা শঞ্জেনবম ফুরুপশিংগী ওইবা হৌখিবা চহী চাশিংদা পাঙথোকখিবগুম কুমসি (২০২৫) অসিসু ঐখোয় খ্বাইগী য়াইফনবগীদমক লাইওইখ্রবা/ওইখ্রবী ইবুধৌ-ইবেনধৌ অনীগী মফমদা চাকলোন কৎপগী থৌরম অমা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা হৈবোংপোকপী তাবা শঞ্জেনবমদা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা পাঙথোকচগনি। থৌরম অসিদা শাগৈচাশিংনা অচিনবা কয়া কায়থোকপীদুনা ইশা-ইশাগী ইথৌনি খন্না চহী অমগী মনুংদা তাঙনা ফংজবা লাইগী তঙাইফদবা থৌরম অসিদা য়াওবীরনবা নোল্লুকচরি।

**শেল্থুং - লুপা ২০০/২০০**
**ফোন নম্বর :- ৮৯৭৪৫৯০০১৮, ৯৬১২৬০৭২৫৯, ৯৪৩৬৬৭০১৮১**

**নোল্লুকচরিবশিং : ১) শঞ্জেনবম মেরাজাও সিংহ ২) শঞ্জেনবম ইবোমচা ৩) শঞ্জেনবম মঙ্গি সিংহ**

HL-P/1592/9